ওক্তোবর ২৩, ২০০৬

নুংশিজরবা প্রাইম মিনিষ্টর ইবুংঙো,

জাতিগী লৌশিংগী হক শিন্নরবা লুপনা (দি নেস্নেল নোলেজ কমিসন) অমগ-অমগা ফাওনবা, মতিক-মগুন অমসুং অতোপ্পা য়েন্ন-ৱারোলশিংবু কুপ্না য়েংশিল্লি। মগুন লৈবা স্কুলগী মহৈ-মশিংগী মরীদা মানেমগী ওইনা ফাওননবা লম্বী য়াত্পা হায়বসি ভারতপু লৌশিংগী থুন্নায় অমা শেম্নবা চংশিনবা খোংজং খুদিংদা তঙায়ফদনা চংলিবা ফিভম অমসুং চাওখত্পগী মশক অদুগী য়ুম্ফম-মরুনি। ঐখোয়না পাক-খোন্না ৱা-তান্নবশিং চথরী অমদি স্কুলগী মহৈ-মশিংগী মরীদা লৈরীবা মথল-মখাগী য়েন্ন-ৱারোলশিংগী মতাংদা শুগায়না তাক্লবা শকথং-ৱারোলশিং অদুবু মতুংগী তারিখ অমদা শেমগনি।

অদুম ওইনমক, মতাংসিদা, রাজ্যগী মহৈ-মশিংগী লোয়শংশিং অসিগী সেক্রেটরিশিংদা মহৈ-মশিংগী বিল (শেল-চে)গী হক্কী নোম্না অমা কেন্দ্রগী লৈঙাক-শাসন্না, রাজ্যগী শাসন্না বিলদুবু চন্নহন্নবা থৌজিনবা ৱারোলশিং য়াওনা, থাজিনখিবা হন্দক্কী অনৌবা খোংথাংদুদা মীতয়েত্ থমদুনা ঐখোয়না পাউখুম পীগে থঞ্জরি। ঐখোয়না বিলদু চেকশিনা পারে অমদি লমদুদা থঙ-হৈরবশিং অমসুং মহৈ-মশিং হৈরবা মীওইশিংগা ৱা-তান্নরে। হায়রিবা বিলদুগী নোম্না অসি মরম কয়ামরুমদা অহোবা লৈরি, অদুগা খ্বায়দগী মরুওইনা, কন্সটিট্যুসনগী এমেণ্ডমেন্ট আর্টিকল ২১এ শেমখ্রবা য়ান্নবা লিপুন্দুগী য়াথং তুংইন্না কেন্দ্রগী লৈঙাক-শাসন্না অসিগুম্বা আইন শেম্বা থবকসি চন্নহনগদবনি হায়বা ৱাফমসি ঐখোয়না ফাওজে। হৌজিক্কী মতমদা স্কুলগী মহৈ-মশিং হায়বসি রাজ্যগী লৈঙাক-শাসন্না মপু ওইদুনা দায়িত্ব লৌবা মরম্না, কেন্দ্রগী মখাদা য়ানদুনা চলায়বগী করিগুম্বা ৱাখল্লন অমা শোয়দনা লৈরমগনি হায়বসি ঐখোয়না শকথংজে।

অদুম ওইনমক, হায়রিবা হীরম অসি মখাগী থাঙ্গত্লক্লীবা ৱারোলশীং অসিবু থন্নগদবা কেন্দ্রগী চানবা আইনগী মশক অমনা ৱারোয় পুরকপা ঙমগনি হায়না ঐখোয়না ফাওই :

**১. কেন্দ্রগী আইন শেম্বা :** জাতিগী থাক্তা আইন শেম্বা হায়বসি আর্টিকল ২১এ না য়াথং তাওখরক্লীবা য়ুম্ফম-মরুগী হক ওইরিবা মহৈ-মশিংগী হক অদুবু য়ারে ফোংদোক্লবগী তঙায়ফদে। মসি নাগরিক অমনা লৈরিবা রাজ্য অদুদা মখা পোন্দবনা, রাজ্যগী লৈঙাক-শাসন্দা মরন্নায় ওইনা চন্নহন্নবা থাখিবা বিল অদুনা ভারতকী লৈঙাক-শাসনগী কন্সটিট্যুসনগী দায়িত্বশিংদু ঙাক্লবগী মতিক-চাদে। মরম অসিনা, মসিগীদমক কেন্দ্রগী লৈঙাক-শাসনগী মফমদা লৈহৌরীবা অহানবা শেল-থুমগী দায়িত্বগা ইরোয়ননা, মহৈ-মশিংগী হক অমা অকক্লবা মতমগী মনুংদা রাজশিংনা চন্নহনগদবদু মখৌ তাহল্লিবা, অদুগুম্বা পঞ্চায়তি রাজ (এমেণ্ডমেন্ট) এক্ট কী পরিং অমদা কেন্দ্রগী আইন শেম্বা চন্নহনগদবনি।

**২. শেন-থুমগী য়ান্নখোকপা ৱাফম :** মহৈ-মশিংগী হক অসিবু চন্নবদা শোয়হন্দনবা অহেনবা শেল্লেপকী শেলবুন অমা কেন্দ্রগী লৈঙাক-শাসন্না শোয়দনা কায়খোক্কদবনি। মরম অসিনা, রাজ্যগী লৈঙাক-শাসনশিংগা লোয়ননা প্রারম্ভিক শিক্ষা কোশকী চহিগী চাগাদু কেন্দ্রগী শাসন্না শরুক য়ামিন্ননবা অমদি অঙাংশিং পুন্নমক্কীদমক মহৈ-মশিংগী হক অদুবু শোয়দনা ফংহন্নবগী অহেনবা উপায়শিং অদুবু পীননবা মখৌ ভাহল্লিবা কেন্দ্রগী আইন শেম্বা অদুদা শেল-থুমগী

য়াথোকপা থৌরাং অমা লৈহনগদবনি। ওল্লিবা নাপচৈ অদুগী মথা-পোন্না, মালেমগী অহৌবা (ইলিসেন্টরি) মহৈ-মশিং অদুগী থল্লীবা পন্থুংদু য়ৌনবা হোন্নবদা তঙায়ফদনা চংলিবা অহেনবা উপায়শিং অদুগী চাওরাক্পা লেপ্পা শেলফম অসি হৌজিক্কী ওইনদি জি দি পিগী চাদা ০.৮ দগী চাদা ২.৫% ফাওবনী। অদুম ওইনমক মালেমগী থৌরাংসি রাজ্য খুদিংমক্তা হান্ননা লোয়শিন্নখিবনা মরম ওইদুনা চন্নগদবা শেল-থুমগী উপায়শিং অদু লোয়শিল্লমদায়গী থাক্তা লৈরে অদুগা রাজ্য অতোপ্পশিংদা ইকুই কুইদনা সর্ভা শিক্ষা অভিয়ানগী মতেংনা হেন্না ফাওননবগী লম্বী অমরোমদা চংশিন্নবগী থোংজং লৌখন্নখ্রে।

**৩. মতমগী উচল :** হেন্না পাম্বদি চহি অহমগী মনুংদা ওইহন্দুনা, মরম চানা মতিক-মগুন চেল্লবা মালেমগী মহৈ-মশিং অদু ফংনবগীদমক হোন্নবদা চংগদবা মতম অদু রাজ্যগী থাক্তা আইন শেম্বনা তাংদাংহনগদবনি। লৈরিবা বিলগী নোম্না অদুনা য়াথোক্লবা থৌশিলশিং (প্রোভিজন্স) অদুগী থবক ওইনা পায়থন্নবা অমসুং য়োকথন্নবগীদমক মতমগী উচল অদু পীবা লৈতে।

**৪. চন্নবা থাকশিং অমসুং হৌনবী মচাংশিংগী অরেপ্পা মতম:** মহৈ-মশিংগী য়ামদ্রবদা চেলফম থোকপা মগুন্দু লৈহন্নবা, স্কুল পুন্নমক্না ইনগদবা হৌনবী মচাংশিংগী অকক্লবা মতম থম্বা মরু ওই। বিলগী নোম্না অদুদা অসিগুম্বা হৌনবী মচাংশিং অসিগী অকক্লবা মতম লৈতে অদুগা স্কুলশিংনা পীগদবা য়ামদ্রবদা চেলফম থোকপা মহৈ-মশিংগী মগুন্দু তাংদাংবা য়াওদে। সুপ্লতগী 'মান্নবগী মগুন' হায়বা ৱাফম অমথক্তং পন্দুনা মদুনা কনশিনগদবা অকক্লবা ঙমথৈ তাক্তনা লৈ। মতিক-মগুনগী মশক লেপ্পদা শোয়হন্দবা হায়বসি চয়েন্নবা হীরম অমা ওইরিঙৈদা, শেম-শাগন্নবা মচাক্কী শকুওং (ইনফ্রাষ্ট্রকচর), স্কুল অমদা অমসুং মহৈরোয় অমদা তম্বীরোয়গী মশিং, তাকপীনবগী থৌওংশিং অমসুং অতোপ্পা শৌগল্লিবা মচাকশিং হায়রীবশিংগী মরীদা লৈরীবা থাঙ্গেসেংবা হৌনবী মচাংশিংদু তঙায়ফদ্রবা ফিভম ওইনা চপ্ য়ুংনা ৱারেপকদবনি।

**৫. তম্বীরোয়শিংগীদমক তাংদাংবা পীবা মশক :** মহৈ-মশিংগী মতিক-মগুন অদু লৈহনবদা তম্বীরোয়শিংগী ৱাফমসি য়াম্না হকচিনবা ওইবনা, তম্বীরোয়শিং ওইবদা চংলিবা তঙায়ফদ্রবা মতিক-মগুন ৱারোল অদুবু (ক্বালিফিকেসন) নিংখিজনা মশক তাক্লবা অদুগা শেমদোক-শেমজিন য়াবা হৌনবী মচাংশিং শেম্বা হায়বসি অতম্ননা মরুওই। হায়রিবা বিলগী নোম্না অদুদা অসিগুম্বা তাংদাংবা মশকসি য়াওদে নত্রগা মতিক-মগুনগী ৱারোলশিং অদু পন্দে, অদুগা লোয়শংদা থবক ফংলবশিংগী (ইন-সর্ভিস) শিল্লম-শিন্তাকপা অদু থক্তনা হায়রিবা ফমদুগী মথৌ তায়। ক্লাসকী কা মনুংদা তাকপীরিবা মীওই অদুখক্তবু তম্বীরোয় অমা ওইনা মশক তাকই। অদুম ওইনমক, মসিদসু তম্বীরোয়গী মতিক-মগুনগী ৱারোল অমসুং শিল্লম-শিন্তাকপা অদুগীদমক হৌনবী মচাংশিং তাংদাংহনবা তঙায়ফদে।

**৬. ৱায়েন্নীংঙায় ওইবা মতৌ :** হক খুদিংমক, মহৈ-মশিংগী হক য়াওনা, হায়বসি ৱায়েনবা য়ারবদি ৱাহন্থোক লৈ। অদুম ওইনমক, রাজ্যগী লৈঙাক-শাসনশিংদা থাখিবা বিলগী নোম্না অদুদি, ৱারক-ৱাতেম্বগী কোকথোং অসি অঙাং অদুগী মমা-মপা/অহল-লম্মনশিংগী কাদা শিন্নে। থাক খুদিংদা, লৈঙাক-শাসনগী দায়িত্ব হায়বসি লৈহনগদবনি অমদি ৱায়েন্নীংঙায় মতৌ শেমগদবনি। নেস্নেল রুরেল ইমপ্লোয়মেন্ট গ্যারেন্টি এক্ট (এন আর ই জি এ)কী খুদমসি হীরমসিদা শিজিন্নবা য়ায়।

**৭. শেম-শাবগী খুতহৈ শেমদোকপা :** ৱায়েন্নিংঙায় মতৌবু শোয়হন্দনবা, শেম-শাবগী খুতহৈ শেমদোকপা অমা পরিং য়াথোক্কদবনি অমদি করিগুম্বা হক অদু য়োকখত্পীদ্রবদি, চান্নবা থৌশিল (প্রাসিড্যুর) অমা পায়খত্কদবনি।

**৮. মালেম ওইবা স্কুলগী মহৈ পীবা :** স্কুলগী মহৈ-মশিং হায়বসি পুন্নমক্তা ফংহনগদবনি, মসিনা মীওই-লাল্লুপ চাদ্রবা নত্রগা অহেনবা চেকশিন থৌরাং চংলিবা অঙাংশিং অদুগা লোয়ননা, খুদোংচাদ্রবা, লম-লৈজদ্রবা অমসুং হন্থবা মীওই ফুরুপকী অঙাংশিংবু অমত্তা ওইনা পুনশিনগদবনি হায়বা ৱাফমসি তঙায়ফদনা মথৌ তাহল্লি। তোঙান-তোঙানবা থুন্নায়গী, শেলমিল্লোনগী, অমসুং নাত্কী য়ুম্ফমদগী হৌরকপা অঙাংশিং অদুগীদমক, লৈঙাক-শাসনগী পথাপকী পনথৈনুংদা ফংহল্লিবা স্কুলগী মহৈ-পীবা অদুগী মরীদা থেন্নবা অমত্তা লৈহাল্লোয়দবনি হায়বসি মথৌ তাহল্লি। খুদোংচাদ্রবা ফুরুপশিং অমসুং তোঙান-তোঙানবা য়ুম্ফমদগী হৌরকপা অঙাংশিং অদুগীদমক মহৈ-মশিং পথাপকী লাল্লোং থোকহল্লিবা স্কুলগী মহৈ পীবগী অচান-মীরান নায়হল্লিবা পথাপ অমা শেমগত্নবগী মতিক-মঙমদু হায়রিবা বিল নোম্না অসিগী লৈ, মরমদি মসিনা চাং-নায়না স্কুলগী মহৈ-পীবা থৌশিল অমবু য়াথং পীবগী মহুত্তা, অসিগুম্বা ৱাফমসিদা, হৌনবী নীয়ম য়াওদবা মহৈ-মশিংগী থৌরাং অমগী মথৌ তাহল্লি।

তশেং-তশেংনা হীরম খুদিংদা, মহৈরোয়শীংগী অতম্নমা ৱাত্লিবা কয়াসিবু মেনখন্নবা স্কুলগী পথাপসি শেমদোক-সেমজিন য়াগদবনি।

মথক্তা পঞ্জখিবা ৱাফমশিং অসিগী মতাংদা শুগায়না তাকপা ৱারোলশিং পীশিঞ্জবদা ঐথোয়না নুঙায়জগনি। জাতিগী লৌশিংগী হক শিন্নরবা লুপ্না পোত্-চৈ পুন্না-পুন্না লৈবা (ষ্টেকহোল্ডর) মীওইশিংগা ৱা-তান্নবগী থবক চথরী অমদি স্কুলগী মহৈ-মশিংগী মরীদা লৈরীবা অতোপ্পা য়েন্ন-ৱারোলশিং কুপ্না য়েংশিল্লি। করম্না লাইরিক-লাইশুগী মীফম (বোর্ড) মরক্তা হেন্না ফবা মতিক-মগুন লৈহনগদগে; স্কুলগী মহৈ পীবগী থবক্তা হেন্না ফগতলবা মতিক-মগুন অমা ফংহল্লিবা লৈকায়গী ফুরুপ্পা লাকশিন্দুনা পাল্লিবা লোয়শংগী শকওংশিং অমসুং মওং-মতৌশিং; য়ুল্লোন-কৈরোন্নবা স্কুলশিং অমসুং মান্নবা স্কুলগী মহৈ পীবা অসিনচিংবদা লৈরীবা য়েন্ন-ৱারোলশিং; থোয়দোক্লা তাংদাংলবা হীরমশিংদা, স্কুলগী তম্বীরোয়শিংগী মতিক-চাবা মশিং অমসুং মতিক-মগুন লৈবদা শোয়হল্লোইদগে হায়বা অসিনচিংবা ৱাহংশিং অসিদা ঐথোয়না মীতয়েং থল্লী। ইকুই কুইদনা, স্কুলগী মহৈ-মশিংগী মতাংদা শকখং-ৱারোলশিংগী ওইবা চাওরবা চেজন-মপৈ অমা খুতশিন্নজগনি।

লন্নাই নোল্লুকচবগা লোয়ননা থাগত্চরী,

স্যাম পিত্রোদা

লুচিংপুরেল (চিয়ারমেন)

দি নেস্লেল নোলেজ কমিসন

সি সি: শ্রী অর্জুন সিংহ, মন্ত্রি, এম এইচ আর দি

শ্রী মোন্টেক সিংহ অহলুৱালিয়া, দিপুটি চিয়ারমেন, প্লানিং কমিসন